# জোইন্ট পুলিস টিমনা এন দি এফ বি ট্রেনিং কেম্প থুগাইখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ১৭ (এজেন্সী):

আসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকী জোইন্ট টিম অমনা চথখিবা ওপরেসন অমদা অথিংবা থমখ্রবা নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ বোদোলেন্দ (এন দি এফ বি)গী কেম্প অমা থুগাইখ্রে হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশ অমসুং আসামগা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা অশূকপা উমং অমদা এন দি এফ বিগী কেম্প অদু জোইন্ট টিম অদুনা থেংনখিবনি। আসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশ পুলিসকী অপুনবা পার্সনেল ৩০০ হেনবনা ঙসিগী ওপরেসন অদুদা শরুক য়াখি। ষ্টেট অনীগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা এন দি এফ বি মিলিটেন্টশিংনা ওপরেট তৌদুনা লৈরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং জোইন্ট টিম অদুনা থি-হূন্বগী থবক চথখিবনি। টিম অদুনা ঙসি থেংনখিবা কেম্প অদু শাবা কুইদ্রিবা কেম্প অমনি। অমদি কেম্প অসিদগী মরু ওইনা ঙমখৈগী শরুক্তা উগী পোত্থোক ললোনবগী থবক তৌরিবা মীওইশিং কন্ট্রোল তৌরম্বা য়াই হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশ পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মখোয়গী ওপরেসন অদুদা চিংনবা য়াবা মীওই অমত্তা ফাবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নবা কেম্প অমা থুগাইখিবা হায়বসি ওপরেসন অদু মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই। খুৎলাই পায়বা মিলিটেন্টশিং অদু থিবগী থবক মখা তানা চথখিগনি। হৌজিক্তি মখোয়গী লৈফম লৈত্রবনিনা উমংদগী মপান থোরকপা য়াবগী থাজবা লৈ। মখোয়শিং অদুবু হান্নগী পুন্সি মহিংদা অমুক হঞ্জিলহল্লক্নবা ষ্টেট অনীমক্কী ওথোরিটিশিংনা হোৎনগনি হায়রি। আসাম পুলিসকী ওইনসু ঙমখৈগী শরুক্ত অহেনবা পার্সনেলশিং দিপ্লোই তৌদুনা শেন্নবা হৌখ্রে।



দি সী তেংনৌপলগী মীৎয়েং মখাদা এস দি ও মোরেনা ওল কম্যুনিটি মোরেনা শেমখিবা মোরে কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মেম্বরশিংদা শেলগী তেংবাংগা লোয়ননা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক, পি পি ঈ কিটনচিংবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা

# দেভঙ্গানা অমসুং অতৈ অনী খুদক্তা থাদোক্নবা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে

গুৱাহাতি, জুন ১৭ (এজেন্সী):

থা অসিগী ১৫দা দেল্লী হায় কোর্টনা বেল পীখ্রবা এক্টিভিষ্ট ৩ দেভঙ্গানা কলিটা, নাটাসা নারৱাল অমসুং অসিফ ইকবাল তানহা খুদক্তা থাদোক্নবা শগোলশেন নুমিত্তা দেল্লীগী কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখ্রে।

জে এন য়ুগী রিছার্চরশিং দেভঙ্গানা অমসুং নাটাসা অমদি জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়াগী মহৈরোয় অসিফ দেল্লী রাইওট কেসতা চেন্নবগী মতালদা য়ু এ টি এগী মখাদা ফাখিবনি। কর্কারদুমা কোর্টকী এদিসনেল সেসন্স জজ রেভিন্দর বেদিনা হায়খি, এক্যুজ অহুম অদু থাদোক্নবা ওর্দর পাস তৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা টিহার জেলগী ওথোরশিংদা খঙহনখ্রে। দোক্যুমেন্টশিং ভেরিফাই তৌনবা অহেনবা মতম পীবিয়ু হায়না দেল্লী পুলিসনা থারকখিবা প্লি কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌখি।



দেল্লী পুলিসনা এক্যুজশিং অদুগী এদ্রেস ভেরিফাই তৌনবগী মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোর্ট অসিনা মখোয়বু থাদোক্নবা ওর্দর পাস তৌনবা লেপ্পলম্বদগী য়ৈথোকখিবনি। হৌখিবা চহীদা নোর্থ ইষ্ট দেল্লীদা থোকখিবা মীয়ামগী ইরাংগা মরী লৈনবা কেস অমদা মহৈরোয় এক্টিভিষ্ট অহুম অসি দেল্লী পুলিসনা ফাখিবনি। শগোলশেন নুমিত্তা এক্যুজশিং অসিনা হায় কোর্টতা মখোয়বু জেলদগী থাদোকপগী মতাংদা দেল্লী পুলিসনা থীন্থদুনা লৈবগী মায়োক্তা কমপ্লেন তৌখি।

জষ্টিস সিধার্থ ম্রিদুল অমসুং জষ্টিস অনুপ জে ভম্বানিগী বেঞ্চ অমনা ট্রায়ল কোর্টকী প্রোসিদিংশিং মখোয়না মোনিটর তৌরোই হায়খি। মখোয়না মখা তানা হায়খি মদুদি, কোর্ট অসিনা পীবা ওর্দর ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং অনী থম্বা য়ারোই। হিয়রিং ঙাইহাক চথরবা মতুংদা হায় কোর্টনা কেস অসি নুংথিল অথেঙদা মখা চখনবা লেপখি। দেল্লী হায় কোর্টনা পীখিবা বেল অদুবু শীংনরদুনা দেল্লী পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টতা আপীল অমা ফাইল তৌখিবনি।

# নার্কো টেরর রেকেটতা চেন্নবা মীওই ২ হেরোইনগা কোন্ননা ফারে

গুৱাহাটি, জুন ১৭ (এজেন্সী):

আসামদা লোনা য়াদবা দ্রগ লল্লোনবগী মায়োক্তা অচৌবা দ্রাইব অমা চথরকখিবা আসাম পুলিসকী মায় পাকপা খোঙথাং অমদা কার্বিআংলোংদা নার্কো টেরর এঙ্গল য়াওবা অচৌবা সপ্লাই চেইন নেটৱার্ক অমা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা নেটৱার্ক অসিদা চেন্নবা মীওই অনীশু ফাখ্রে।

ওপরেসন অদুদা ইন্টর্নেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ৭কী ভেল্যু ওইগদবা কিলোগ্রাম ২ হেনবা অশেংবা হিরোইনসু পুলিসনা ফাখি। ওপরেসন অসিগা মরী লৈননা আসাম পুলিসকী দি জি ভাস্কর জ্যোটি মহন্তনা হায়, নার্কো টেরর এঙ্গল ময়েক শেংনা য়াওবা অচৌবা সপ্লাই চেইন নেটৱার্ক অমা কার্বিআংলোংদা থেংনদুনা পুলিসনা নেটৱার্ক অদুদা মরু ওইনা চেন্নবা মীওই ২ ফাগৎপা ঙমখ্রে। পুলিস ওপরেসন অদুদা লুপা ক্রোর ৭ লোমগী ওইগদবা অশেংবা হিরোইন কেজি ২ ফাখি।

চৈরকসিদা এচীভমেন্ট অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা শর্ম্মানা আসাম পুলিসপু থাগৎখ্রে। সী এমগী ত্বিট্টর পোষ্ট অমদা আসাম পুলিসপু থাগৎলদুনা মখোয়না অচৌবা দ্রগ কার্টেল অমগী বেকবোন থুগাইবা ঙমখ্রে হায়না পনখি।

# রেপ, মীহাৎপগী কেসতা মরু ওইনা চেন্নবা মীওই পুলিসনা কাপ্পদা শোক্লে

গুৱাহাটি, জুন ১৭ (এজেন্সী):

রেপ অমসুং মী হাৎপগী কেসতা মরু ওইনা চেন্নবা মীওইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ফরিজুল রহমন পুলিসতগী নাম্থোক্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা ফিভম থীনা শোকখ্রে।

এক্যুজ ফরিজুর রহমন ফিভম থীনা শোকখিবগা লোয়ননা বর্বেটাদা লৈবা ফকরুদিন অলি অহমদ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল (এফ এ এ এম সী ঐচ) তা এদমিট তৌখি। থৌদোক অদু কোক্রাঝার দিষ্ট্রিক্টকী বেদলাংমরিগা নক্না সর্চ ওপরেসন অমা চথরিঙৈদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা আসাম পুলিসকী স্পেসল দি জি- জি পি সিংহনা হায়, বেদলাংমরিগা নক্না সর্চ ওপরেসন অমা চথরিঙৈ মনুংদা এক্যুজশিংগী মরক্তগী অমা পুলিসতগী নাম্থোক্নবা হোৎনরকখি। মদুদা পুলিসনা মঙোন্দা ৱার্নিং পীবদা য়াদবদগী তঙাইফদনা নোংমৈ কাপখিবনি। মহাক নোংমৈনা পানবদা ফিভম খরা থীনা শোকপদগী হোস্পিটালাইজ তৌখি। রেপ অমসুং মী হাৎপগী কেস অসিগা মরী লৈননা মরুওইবা এক্যুজ ৩ নসিবুল অলি, ফোরিজুল রহমন অমসুং মুজাম্মেল শৈখ য়াওনা পুন্না মীওই ৭ ফাখিবনি।

# বি জে পি লুচিংবশিংনা নুপীশিংদা কা হেনবা থৌওংশিং চথখি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা খোঙজঙ চঙশিনখ্রে

অগরটালা, জুন ১৭ (এজেন্সী):

ট্রিপুরাদা হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ষ্টেট অদুগী নুপী ওইবীশিংদা অহেনবা থবক থৌওংশিং চথবতা নত্তনা লোনা য়াদবা মওংদা অতোপ্পগী মরল-মথুমশিং সিজ তৌনবা হোৎনরি হায়না সী পি আই-এমনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নুনা খোঙজঙ চঙশিনখ্রে।

ওপোজিসনদা লৈরিবা সী পি আই-এমগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অদুগী বি জে পি লিদর অহুম আনন্দ দেবনাথ, মোনিন্দ্র দাস অমসুং বুভন দাসনা নুপী অনীগী মথক্তা তাথী-তাওইনা তৌখিবগা লোয়ননা ইলিগেল ওইবা মওংদা মখোয়গী প্রোপর্টিশিং সিজ তৌনবা হোৎনরি। লুচিংবা অহুম অসিনা কাননবালা দাস অমসুং অলো রানি দাসকী মথক্তা তাথী-তাওইনা তৌখিবগা লোয়ননা নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহন্নবসু হোৎনখি। মসিদা নত্তনা ভেলোনিয়া সব দিভিজনগী মনুং চনবা পি আর বারি পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা মফমদা লৈবা শা-ঙা য়োনবা দুকান অমসু বি জে পিগী লুচিংবা অহুম অসিনা মাঙহন তাকহনখি।




বি জে পি লুচিংবশিংনা ষ্টেট অদুদা লোনা য়াদবা থবক থৌওং কয়া চথরবসু পুলিসনা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্টতা কমপ্লেন্ট তৌখ্রে। অদুবু পুলিসকী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং তৌরক্তবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা মীয়ামগী ওইবা খোঙজঙ চঙশিল্লকখিবনি। লোকেল এম এল এ সুধন দাসনা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পুলিসতা এক্সন লৌখৎতুনা খঙহনখ্রবা মতুং পুলিসনা ঙসিদগী হৌরগা থিজিনবগী থবক চথবদি হৌখ্রে হায়রি।

সী পি আই-এমগী ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি লুচিংবশিংগী ৱার্করশিংদা বি জে পিগী ৱার্করশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌদোকশিংসু থোক্লি। ৱার্করশিং খক্তা নত্তনা এম এল এশিংদফাওবা শিবা য়াবা খুৎলাইশিং শীজিন্নদুনা কয়ারক হন্না এটেক চথরকপগী থৌদোক থোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, রুলিং পার্টিগী রাজনগর মন্দল কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎ সরকারনা বি জে পিগী মায়োক্তা শীরক্লিবা মরাল অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সী পি আই-এমগী ৱাফমশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রি। ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা মতম পূম্বদা বি জে লৈঙাকপু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনৈ হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। বি জে পিগী মায়োক্তা অরানবা চার্জ তৌরক্লিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংনা তকশিল্লগনি হায়রি।

## CROSSWORD-3813



**ACROSS**

1 Riches (6)
4 French channel port (6)
8 Eulogise (5)
9 Thawed out (7)
10 Restricted (7)
11 Crest (5)
12 Triple (9)
17 Listened to (5)
19 Proficient (7)
21 Large mug-like vessel (7)
22 Female relatives (5)
23 Covering for curtain rod (6)
24 Shellfish (6)

**DOWN**

1 Every seven days (6)
2 Try (7)
3 Available for renting (5)
5 Conflagration (7)
6 Haughty (5)
7 Hole for a lace or cord (6)
9 Disrobed (9)
13 Bureaucratic procedure (3,4)
14 Extinct (7)
15 Stop speaking (4,2)
16 Nearer (6)
18 Cancel (5)
20 European country (5)

**Solution 3812**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | O | W | | D | E | F | E | A | T | E | D |
| L | | L | | L | | R | | L | | U | | H |
| U | N | I | F | O | R | M | | V | I | R | G | O |
| G | | V | | I | | I | | E | | M | | W |
| G | R | E | A | T | | N | A | R | R | O | W | |
| A | | | | E | | E | | | | I | | A |
| R | E | M | A | R | K | | D | A | L | L | A | S |
| D | | O | | | | A | | R | | | | S |
| | C | R | O | O | K | S | | G | U | S | T | O |
| A | | N | | M | | T | | U | | P | | R |
| D | R | I | V | E | | E | L | E | G | A | N | T |
| A | | N | | G | | R | | D | | D | | E |
| M | I | G | R | A | I | N | E | | H | E | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3612**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | 4 | | | 8 | | |
| | | | 9 | | 8 | 2 | 5 | |
| 9 | 8 | | | | | | | |
| | | 4 | | | | | 3 | |
| | | 5 | | 8 | | 7 | | |
| | 6 | | | | | 4 | | |
| | | | | | | | 2 | 7 |
| | 3 | 6 | 5 | | 2 | | | |
| | | 1 | | | 6 | 5 | | |

**Solution-3611**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 6 | 4 | 7 | 5 | 2 | 8 | 9 |
| 9 | 7 | 5 | 2 | 8 | 6 | 3 | 4 | 1 |
| 4 | 8 | 2 | 1 | 3 | 9 | 6 | 5 | 7 |
| 1 | 2 | 4 | 5 | 9 | 3 | 8 | 7 | 6 |
| 6 | 3 | 7 | 8 | 4 | 1 | 9 | 2 | 5 |
| 5 | 9 | 8 | 7 | 6 | 2 | 4 | 1 | 3 |
| 2 | 4 | 9 | 3 | 1 | 7 | 5 | 6 | 8 |
| 8 | 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 7 | 5 | 3 | 6 | 2 | 8 | 1 | 9 | 4 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

DSSSB Recruitment 2021 Apply Online for Teacher and Non Teaching Posts: IndGovtJobs.in updates all latest DSSSB advertisements and upcoming Vacancy notifications in this page.Government of NCT of Delhi, Delhi Subordinate Services Selection Board (DSSSB) invites online applications for recruitment of Trained Graduate Teachers, Assistant Teachers, Junior Secretariat Assistant, Counsellor, head Clerk and Patwari under different departments under Govt. of NCT of Delhi. The DSSSB Advertisement Number 02/2021 online registration will be start from 25th May 2021 and scheduled to be held on 24th June 2021.

ADVERTISEMENT NO. 02/2021

Name of the Post
Total Vacancies
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Female) in Directorate of Education
551
Trained Graduate Teacher (Hindi) (Male) in Directorate of Education
556
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Male) in Directorate of Education
1040
Trained Graduate Teacher (Natural Science) (Female) in Directorate of Education
824
Trained Graduate Teacher (Maths) (Female) in Directorate of Education
1167
Trained Graduate Teacher (Maths) (Male) in Directorate of Education
988
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Male) in Directorate of Education
469
Trained Graduate Teacher (Social Science) (Female) in Directorate of Education
662
Trained Graduate Teacher (Bengali) (Male) in Directorate of Education
01
Assistant Teacher (Primary) in Directorate of Education
434
Assistant Teacher (Nursery) in Directorate of Education
74
Junior Secretariat Assistant (LDC) in Municipal Corporation of Delhi
278
Counselor in Department of Women & Child Development
50
Head Clerk in Delhi Urban Shelter Improvement Board
12
Assistant Teacher (Primary) in New Delhi Municipal Council
120
Patwari in Delhi Urban Shelter Improvement Board
10

Age Limit:
Trained Graduate Teachers: Below 32 years
Assistant Teachers: Not exceeding 30 years
Junior Secretariat Assistant: 18 - 27 years
Counselor: Not exceeding 30 years
Head Clerk: Not exceeding 30 years
Assistant Teacher: Not exceeding 30 years
Patwari: 21 - 27 years

Pay Scales:
Trained Graduate Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teachers: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Junior Secretariat Assistant: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 1900/-
Counselor: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Head Clerk: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4600/-
Assistant Teacher: Rs 9300 - 34800 + GP Rs 4200/-
Patwari: Rs 5200 - 20200 + GP Rs 2000/-

Educational Qualifications:
Trained Graduate Teachers: Bachelor's Degree / BA or equivalent qualification in required relevant subjects with 45% marks in aggregate.
Assistant Teachers (Nursery): Senior Secondary School (12th Class) or Intermediate or its equivalent qualification pass with atleast 45% marks. Diploma certificate in Nursery Teacher Education Programme or B.Ed. in Nursery.
Junior Secretariat Assistant: Matriculation / 10th class / Secondary School exam Pass. Ability to type at a speed of not less than 35 words per minute in English or 30 words per minute in Hindi on Computer.
Counselor: Bachelor's Degree in Psychology / Applied Psychology. Post Graduate Diploma in Counseling Psychology. Minimum 01 years experience (OR) Post Graduate in Psychology / Counseling Psychology / Clinical psychology / Applied Psychology.
Head Clerk: Bachelor's Degree. Computer Proficiency.
Assistant Teacher (Primary): Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 50% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education (OR) Senior Secondary or its equivalent qualification with at least 43% marks. Minimum 02 years Diploma in Elementary Education.
Patwari: Bachelor's Degree or equivalent qualification.

Selection Process:
One Tier Examination
Two Tier Examination

Examination Fee:
100/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST, PWD and Ex-servicemen candidates.
The candidates submitting their application online should pay the requisite fee only through SBI e-pay.
How to Apply: Eligible Interested candidates must apply online through DSSSB Delhi Online Application Portal (dsssbonline.nic.in) from 25th May 2021. The last date for submission of online application is up to 24/06/2021 till 11:59 PM.

---

AIIMS Rishikesh Recruitment 2021 aiimsrishikesh.edu.in: All India Institute of Medical Sciences (AIIMS) Rishikesh invites online applications for Group A, Group B and Group C recruitment of Senior Medical Officer (AYUSH), Medical Officer (AYUSH), Junior Medical Record Officer (Receptionist), Social Worker, Coding Clerk in All India Institute of Medical Sciences Rishikesh on Direct Recruitment Basis.

Name of the Post
Total Vacancies
Senior Medical Officer (AYUSH)
01
Medical Officer (AYUSH)
05
Junior Medical Record Officer (Receptionist)
05
Social Worker
02
Coding Clerk
01
Maternity and Child Welfare Officer
01
Medical Record Officer
04
Medical Record Technician
38

Age Limit:
Senior Medical Officer (AYUSH): 25 - 40 years
Medical Officer (AYUSH): 21 - 35 years
Junior Medical Record Officer (Receptionist): 18 - 30 years
Social Worker: 18 - 35 years
Coding Clerk: 18 - 30 years
Maternity and Child Welfare Officer: 21 - 35 years
Medical Record Officer: 21 - 35 years
Medical Record Technician: 18 - 30 years

Pay Scales:
Senior Medical Officer (AYUSH): Level 11 ? 67700 - 208700/- + NPA
Medical Officer (AYUSH): Level 10 ? 56100 - 17750/- + NPA
Junior Medical Record Officer (Receptionist): Level 5 ? 29900 - 92300/- + NPA
Social Worker: Level 04 ? 25500 - 81100/- + NPA
Coding Clerk: Level 02 ? 19900 - 63200/- + NPA
Maternity and Child Welfare Officer: Level 07 ? 44900 - 142400/- + NPA
Medical Record Officer: Level 06 ? 35400 - 112400/- + NPA
Medical Record Technician: Level 4 ? 25500 - 81100/- + NPA

Essential Qualifications:
Senior Medical Officer (AYUSH): A Degree in any of the five streams of AYUSH. Enrollment on the central Registrar of that stream in central or state register of Indian Medicine. Minimum 05 years clinical and / or teaching experience.
Medical Officer (AYUSH): A Degree in any of the five streams of AYUSH. Enrollment on the central Registrar of that stream in central or state register of Indian Medicine. Minimum 03 years clinical and / or teaching experience.
Junior Medical Record Officer (Receptionist): B.Sc. degree in Medical Records (OR) 10+2 Science with at least 06 months Diploma certificate course in Medical Record keeping with 02 years experience.
Social Worker: 10+2 / Matric with 12th Pass. Minimum 08 years experience as Social Worker.
Coding Clerk: B.Sc. degree in Medical ecords (OR) 10+2 Science with at least 06 months Diploma certificate course in Medical Record keeping with 02 years experience.
Maternity and Child Welfare Officer: Degree or Diploma in General Nursing and Midwifery or equivalent. Minimum 01 year experience for Degree holders and 02 years for Diploma holders.
Medical Record Officer: Bachelor's Degree preferable with Science. Should have done 01 year course in Medical Record, Not less than 05 years experience.
Medical Record Technician: B.sc. (Medical Records) (OR) 10+2 (Science) with at least 06 months Diploma in Medical Record keeping + 02 years relevant experience.

Selection Process: Written Exam / Interview.

Application Fee:
3000/- for Group B Posts, ? 2000/- for Group C posts.
1000/- for SC / ST / OPH candidates (for all posts)
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through AIIMS Rishikesh official website (aiimsrishikesh.edu.in /resident-rect.aiimsrishikesh.in). The last date for registration of online applications is 18/06/2021 up to 23:59 Hours.







